# ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ফবা ফুটবোল শান্নরোয়শিং আশালতা অমসুং দাঙমৈ গ্রেস

- লৈশাংথেম অজিৎ -





মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগা উরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্টস ক্লবকা কুমজা ২০১৭-১৮দা শিলোংদা হেরো ইন্দিয়া ৱিমেন'স লীগকী অনীরকশুবা এদিসন্দা ফাইনেল শান্নখিবদা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা পাঞ্জল মান্নখিবদগী পেনালটি কাওনখিবদা উরিষাগী টিম অসিনা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ৫-৪দা মায়থীবা পীদুনা লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইখি।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী নুপীগী প্রোফেসনেল লীগ অসি কুমজা ২০১৬-১৭তা অহানবা ওইনা কটক্তা পাঙথোককি-খবদা মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না মায় পাক্তুনা হেরো ইন্দিয়ান ৱিমেন'স লীগকী চেম্পিয়ন ওইখি। কুমজা ২০১৭কী জন্যুৱারী ২৪দা হৌদোকখিবা অহানবা লীগ অদুদা টিম তরুক শরুক য়াখি। টিমশিং অদুদি এফ সী অলাখপুরা (হরিয়ানা), জে প্পি আর ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি এফ সী (পোন্দিচেরি), আইজোল এফ সী (মিজোরাম), এফ সী পুনে সিটি (মহারাষ্ট্র), রাইজিং ষ্টুদেন্টস ক্লব (উরিষা) অমসুং ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (মণিপুর) নি।

অহুমশুবা ইন্দিয়ন ৱিমেন্স লীগ লুধিয়ানাগী গুরুনানক ষ্টেদিয়মদা চহী অসিগী মে ৫দগী পাঙথোকখিবদা টিম ১২না শরুক য়াখি অমদি টিমশিং অদুবু গ্রুপ অনী থোক্না খায়দোক্তুনা রাউন্দ রোবিন শান্নহল্লবা মতুংদা গ্রুপ অমমমদগী মকোক মথং অদু লৌখৎলগা সেমী ফাইনেল শান্নহল্লগা ফাইনেল শান্ননবা টিম অনী খনগৎপদা গ্রুপ অহানবদগী গোকুলাম কেরেলা অমসুং সেন্ত্রেল এস এস বি অমদি গ্রুপ অনীশুবদগী মহারাষ্ট্রগী সেটু অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবশিংনি। সেমী ফাইনেলদগী মায় পাক্লকখিবা মাদুরাইগী সেটু অমসুং মণিপুর পুলিসকা ফাইনেল শান্নবদা সেটুগী নুপী টিমনা মণিপুর পুলিসপু ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

মদুরাইদা লৈবা সেটু ফুটবোল টিমগী দিফেন্স শান্নরোয় মণিপুরগী লোইতোংবম অশালতাবু চহী অসিগী ওইনা ওল ইন্দিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন্না মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরমদা 'ফুটবোল্লর ওফ দি য়র' হায়বা লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ফবা ফুটবোল শান্নরোয়দা পীবা মীংথোল অদু পীখিবগা লোয়ননা পীফম থোকপা মনা-মথুমশিংসু পীবিখিবা অসিনা মণিপুরগী মীংচৎ হেনগৎহনখিবগা লোয়ননা মহাক্না টিম অমত্তদা য়াওমিন্নবা ষ্টেট অসিগী দাঙমৈ গ্রেসপু 'ইমর্জিং ৱিমেন্স ফুটবোল্লর ওফ দি য়র' ওইনা লাউথোক্তুনা মণিপুরগী নুপী শান্নরোয়শিংবু ইন্দিয়াগী থাক্তা অমদি মালেমগী ফুটবোল শান্নবগী খোঙজেলদা খোঙকাপ লাউনা থাঙজিল্লকপগী খুদম অমা তশেংনা মণিপুরগী শান্নরোয় অনী অসিদগী উবা ফংই।

ইম্ফালগী কৃপসা ক্লবতা কুমজা ২০১৬তগী ২০১৮ ফাওবা শান্নরম্বা দাঙমৈ গ্রেস কুমজা ২০১৯দা টামিল নাদুগী সেটু ফুটবোল ক্লবতা ত্রান্সফর তৌখি। কুমজা ২০১৪দা খা কোরিয়াগী সহর ইনচিওন্দা পাঙথোকখিবা ১৭শুবা এসিয়ান গেমসতা মহাক ইন্দিয়াগী টিম খনবদা অতৈ মণিপুরী নুপীশিংগা য়াওখি। টিম অদুদা য়াওখিবী মণিপুরগী শান্নরোয়শিং অদুদি গুরুময়ূম রাধারানি, অশেম রোমী, লোইতোংবম আশালতা, ওইনাম বেমবেম, য়ূমলেম্বম প্রেমি, মোইরাংথেম মেন্দাকিনি, য়ুম্নাম কমলা, ঙাঙোম বালা, দাঙমৈ গ্রেস, ওক্রম রোশিনি, ইরোম প্রামেশ্বরি অমসুং থোকচোম উমাবতিনি। ইন্দিয়াগী টিমদা শান্নরোয় ১৮গী মনুংদা ১২দি ষ্টেট অসিগী নুপীমচাশিংনা শরুক য়াখিবা অসি ইন্দিয়াগী হীরম অসিদা হায়বদি নুপীগী ফুটবোলদা থিজিন খোৎচিন তৌবশিংনা লমদম অসিগী শান্নবগী কলচরবু ইকায় খুম্নরি।

কুমজা ২০১৬তা গুৱাহাটি অমদি শিলোংদা পাঙথোকখিবা ১২শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা নুপীগী ফুটবোল অনীরকশুবা ওইনা গেমস অসিগী থৌরম অমা ওইনা হাপচিনখিবদা ইন্দিয়া অমসুং নেপালগা ফাইনেল শান্নখিবদা ইন্দিয়ানা নেপালবু মায়থীবা পীদুনা সনাগী মেদল অমুক হন্না লৌবা ঙমখি। গেমস অদুদা দাঙমৈ গ্রেসনা শ্রী লঙ্কাগা শান্নবদা পাঞ্জল অনী চনখি। চুড়াচান্দপুরগী কাঙৱায় দিভিজন্দগী হৌরকখিবী দাঙমৈ গ্রেস ইম্ফালগী কৃপসা ক্লবতা চহী অনী শান্নরম্লবা মতুংদা কুমজা ২০০৯দা টামিল নাদুগী সেটু ফুটবোল ক্লবতা য়াওখি। মহাক্না হৌজিক ফাওবদা লৈবাক অসিগী মহুৎ শিন্দুনা ইন্টরনেসনল মেচ ৩৭ শান্নবদা পাঞ্জল ১৪ মীরৈবাক্কী টিমশিংদা চনবা ঙমখ্রে। মহাকপু চহী অসিগী ওইনা 'ইমর্জিং ৱিমেন্স ফুটবোল্লর ওফ দি য়রগী মনা পীখিবা অসিদা অৱাং নোংপোক্কী চাউথোকচনীংঙাই ওই।

মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপীগী ফুটবোল শান্নরোয়শিং ইন্দিয়াগী মফম কয়ামুক্তা লৈবা খেন্ন-খেন্নবা ক্লবশিংদা য়াওদুনা লৈবাক অসিদা পাঙথোক্লিবা মরুওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা খক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী ৱাংমদা চত্তুনা লৈবাক অদুগী মরুওইবা ফুটবোল লীগশিংদা শরুক য়াবনা ঐখোয়গী শান্নরোয়শিংগী মপূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা মখোয়গী শান্নবদা খুমাঙ চাওশিল্লি। মীরৈবাক্তা চত্তুনা লমদম অদুগী ফুটবোল শান্নবগী অথোই অহেন তান্নবদা মায় পাক্না শরুক য়ারিবী মণিপুরগী নুপীশিংগী মনুংদা চহী



অসিদা 'ফুটবোল্লর ওফ দি য়র' ফংখ্রবী লোইতোংবম আশারানিসু অমনি।

মহাক্না কুমজা ২০১৫দা মালদিভ ঈথত্তা চত্তুনা লৈবাক অদুগী মালদিভিয়র প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়ারুই । মালদিভ অরাবিয়ান সমুদ্রদা ইন্দিয়াগী খা নোংচুপ্তা সমুদ্র মাপন্দগী কিলোমিটর ১,০০০ রোম চৎলগা লৈবা ঈথৎশিংনা শেম্বা মনীং তম্বা লৈবাকনি। স্কৱার কিলোমিটর ২৯৮ পাক চাউবা কোরেল ঈথৎ মচাশিংনা শেম্বা লৈবাক অসি ফুটবোল শান্নবদা অঙকপা ফংনা পান্বা মফমনি। কুমজা ১৯৮২দা লৈবাক অসিগী ফুটবোল এসোসিএসন শেমখদুনা চহী মরিগী মতুংদা কুমজা ১৯৮৬তা এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন অমসুং ফেদরেসন ওফ ইন্টরনেসনল ফুটবোল এসোসিএসন (ফিফা) গী মেম্বর ওইখি। এসোসিএসন অসিনা কুমজা ২০০দগী ধিভেহি লীগ পাঙথোকপা হৌখি। লীগ অসিবু কুমজা ২০১৫দগী ধিভেহি প্রেমিয়র লীগ হায়না খঙনৈ।

লোইতোংবম আশালতা ঈথৎ অসিগী ন্যু রেদিএন্ট ক্লবকী শান্নরোয় অমা ওইনা লৈবাক অসিগী টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াখি অমসুং ইন্দিয়াগী ৱাংমদা মীরৈবাক্কী ক্লব অমদা য়াওদুনা অথোই অহেন তান্নবদা শরুক য়াবা ইন্দিয়া মচাশিংগী মনুংদা মহাক্না অনীশুবনি হায়রি।

মহাক্না মালদিভকী ধিভেহি প্রেমিয়র লীগতা সেন্টর দিফেন্দর ওইনা শরু কয়াবদা লমদম অদুগী মীৎয়েংলোইশিংনা মহাক্কী হৈশিংনা শান্নবা অমদি শান্নবদা পূক্লিং চঙবা অদু উবদা থাগৎখি। ক্লব অসিদা শান্নরবা মতুং কুমজা ২০১৬-১৭তা উরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্টস ক্লবতা য়াওরম্বদগী মথংগী চহীদা ইম্ফালদা হল্লক্তুনা কৃপসাগী টিমদা শান্নখি। মতম খরগী মতুংদা টামিল নাদুগী সেটু ফুটবোল ক্লব (সেটু এফ সী) তা হোংদুনা হৌজিক ইন্দিয়াগী ফুটবোল কেপ্তেন ওইনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না খনখ্রবা শান্নরোয় অসি সেটু ফুটবোল ক্লবকী মরুওইবা লুচিংবী ওইরি।

এম এস মোহায়দিন্না মপু ওইরিবা ক্লব অসি মরুওইনা নুপী ফুটবোল শান্নবী খক্তগীনি। মহাক্কী পান্দমদি নুপীমচাশিং অসি অফবা শান্নরোয় ওইনহনবনি। মহাক্না শান্নরোয় ওইনা শরুক য়াখিবদা কুমজা ২০১০দা ধাকাদা পাঙথোকখিবা সাউথ এসিয়ন গেমসতা অমসুং গুৱাহাটি অমসুং শিলোংদা কুমজা ২০১৬তা পূন্না পাঙথোকখিবা ১২শুবা সাউথ এসিয়ন গেমসকী এদিসন্দা সনাগী মেদল লৌবা ঙমখি। অমুকসু সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী নুপীগী চেম্পিয়নশিপ্তা মহাক্না শরুক য়াবা ইন্দিয়াগী টিমনা শ্রী লঙ্কাদা কুমজা ২০১২দা পাঙথোকখিবা অনীশুবা এদিসন্দা, পাকিস্তান্দা কুমজা ২০১৪দা, কুমজা ২০১৬তা ইন্দিয়াদা অমদি নেপালদা কুমজা ২০১৯দা পাঙথোকখিবদা মায় পাকখি। কুমজা ২০১০দগী চহী অনী অনী লৈরগা হৌজিক ফাওবদা মঙারক পাঙথেকাখিবা অথোই অহেন তান্নবা অদুদা ইন্দিয়া, নেপাল, বাংলাদেশ, মালদিপ, শ্রী লঙ্কা অমসুং পাকিস্তান মঙাশুবা সাউথ এসিয়ন ফুটবোল ফেদরেসন (এস এ এফ এফ) না শীনবা চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াখিদে। অসিগুম্বা চহী নৌরিবা ইন্দিয়াগী ফুটবোল টিমগী অনৌবা কেপ্তেন অসিবু লম অসিগী অহৈ অশিংশিংনা লমজিংবীবা দরকার ওই। মসিগা লোয়ননা মহাক্কী মমাঙদগী শান্নরম্বদগী পোত্থাখ্রবা, হৌজিক হৌজিক মশক থোক্না মালেমগী মফম কয়াদা শান্নবগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবী শান্নরোয়শিংদগী অফবা পাউতাক লৌবা অমদি মখোয়নসু মহাক্কী মপূক্লিং থৌগৎপীবা অমা মথৌ তারি। ●

# মমাঙঙৈগী তমজনীংঙাই ওইরবা হৌনা লোনচৎ অমুক হন্না লাক্লরোই

- অথোকপম তোম্বা -

ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরদা ঙসিদগী চহী কয়াগী মমাঙদা চৎনরম্বা/লৈরম্বা ফীভম লোইনা পুমহোং হোংখ্রে। মী মশীং য়াল্লমদে, য়ূম য়াম্না ললনা তারম্মী, অহাঙবা লৌবুক লৌবুক-লমহাং কয়া লৈরম্মী, পুকচেল শেংনা, নুংশি চান্ননা লৈমিন্নরম্বা উরম্মী। মতম অদুদা মীশিং অসি য়ূম অমদা অনী-অহুমদা লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি তরাগী মথক্তা লৈনরে। মতম অদুগী মীওইশিং শূ-নোম্বসু য়াম্না কন্নরম্মী। অনোয়বা নুপা-নুপী উবা ফংলমদে, ফংলবসু মশীং য়াম্না লৈরমদে। নুপীশিংগী শিনফমদি য়াম্না চীং-লেম্মী। ফৌসু নূংগী চক্রিদা তকপা অমসুং শুম্বলদা শুরম্মী। ইমুং-মনুংগী অহল-লমন, মপুরোয়বগী থৌগল, ইমুং-মাঙ্গোল, তুলসিবোং শিৎ-শেংবা, ৱাই তৈবা, ঙহাক শংবদা মশাগী শিনফম তৌজৈ। অদুগা লমচৎ-শাজৎ, থকসি-খাসি, চৎনরোল ফজরবা কয়ামরুমসু থেংনখি। হায়জরিবা মতম অসি কুইদ্রি চহী ৭০মুক্কী মমাঙগী ৱারীনি। নুপীশিংনা ঙন্না হৌগৎতুনা য়ূমগী অহলশিংগী চিন শেংনবা পয়া, ঈশিং লোয়ননা মপুরোয়বগী থবক থৌরম পূম্নমক মখোয়না হৌগৎত্রিঙৈদা থম্বা, থক্লবা হীদাক হানবনচিংবা কয়া হান্না পাঙথোক্তুনা হোৎনৈ। মসিগী মতুংদা মশাগী শিনফম পাংবা, নুমিৎকী মমিনা দারি য়ৌরকপদা চাক-ঈশিং থোংদুনা শিল-লাংবা, ইরুজবা কারকপদা শীজিন্ননবা খুদৈ, চন্দোল উপু পুথোক্তুনা থম্বনচিংবা ফজরবা থৌগলগী চৎনরোল অমদি চাক পুথোক্তুনা পীজবা, ময়াম চাদ্রিফাওবা চাক চারমদে। করিগুম্বা লাইনীং-লাইশোনগা মরী লৈনবা থবক থৌরম চৎকদবা লৈরগনা শেৎন-চানবা ফিরোল, খোঙপনচিংবা পূম্নমক পুথোক্তুনা শেম শাদুনা থম্বা তৌনরম্মী। নুপী খুদিংমক মথক থোংবা উরগা কোক খুম্বা তৌনরম্মী।

ঙসিগী পাক চাউরবা চাওখৎলবা খুন্নাই অসিদা হায়রুবা/তম্লুবদা ফুঙ্গা ৱারী ওইনা লৌনরবা মতমনি। নুপীনা শান্ন-খোৎনবা য়াওবা য়াম্না তাঙনা থোক্লম্মী। শান্নবা য়াওরবসু মখোয় অদুদি তৌবা ঙম্বী, মীকি-লাইকিদবী ওইনা লৌনরম্মী। মসি থাজবিদ্রগা মতমদুগী শান্নরোয় চহী ৭০-৮০ শুরবীশিংদা হংবীয়ু। মখোয়দগী অশেংবা ৱারী-ৱাখোঙ ফংবীগনি। মসিগী মমাঙদা হৌখিবা নুপীশিং লাইরিক লাইশু কয়া তম্নরমদে। মতমদুদা লাইরিক লাইশু হৈখিবশিং লোইনা মশক নাইবা ওইনখি। মতমদুগী ফিজেৎ চাকচা, লমচৎ অদুক্কী মতিক চেকশিল্লমই। নুপীসু-নুপাসু অহল-লমন্না য়াদবা থবক য়াম্না কিনা চৎনদুনা মখোয়গী অপাম্বা লম্বীদা চৎপা ঙমদদুনা নীংবা কায়বসু কোঙ্গাইনি। হৌজিক্লা মা-মাগী অপাম্বা লম্বীদা চৎনরি, কয়াদা খেন্নখ্রবা। মমাঙঙৈগী তমজনীংঙাই ওইরবা হৌনা লোনচৎ অমুক হন্না লাক্লরোই, ৱারীতা মঙাইরে, উবসু ফংলরোই। মতমগী য়াওলনা হুমদুনা পুখ্রবনি অমুক হন্না লাক্লরোই, তম্লুবদা অঙাওবগী চোইরোল তারনি। মতমদুগী নুপা-নুপীশিং লাইরিক-লাইশু হৈবগী চাংদি নেম্লমগনি অদুবু লমচৎ-শাজৎতি তমজনীংঙাই ওইরি। মসি হায়রুবদা ফৈজোম খোংদাই শেৎলিঙৈগী ৱারী তানীংদে হায়রক্কনি।

চাওখৎপগী মতুং ইন্না হৌজিক সাইন্সকী মতমনি। খঙ-হৈরবা, লাইরিক লাইশু হৈবনা থল্লবা, তৌনীংবদা তৌবা ঙম্লবা, মতম চংদনা ঈ-পাউ ফাওনরবা, চৎনীংবা মফমদা চৎপদা অকক্লবা মতমদা থুংবা ঙম্লবা অসিদা ফত্তবনা লাঙ্গোই চল্লবা, তৌনীংবতা তৌরবা অফ-ফত্তা থিদ্রবা, তাহৈদবা থৌদোক ৱাথোক্লা নুপাসু-নুপীসু মান্নরবা মতমনি। ঙল্লিঙৈগী লম্বী-থোং, গাড়ী চেনদ্রিঙৈদা অসুম্না ৱারীদা তাজখি, মহারাজ সার চুড়াচান্দনা নিংথৌ ওইরিঙৈদা লৈবাক্কী কুম্মৈ ওইনা মুক্লা শান্নহন্দুনা অথোই-অহেন তানবদা চাইরেন্দগী লাকপা মৈনো কৌবা অমনা যাত্রা (মুক্লাগী অঙম্বা) ওইবদা নিংথৌনা মনা মথুম ময়াম অমা পীদুনা কোনুংদগী ময়ূম ফাওবা কোকথোংননা পুদুনা মখোঙনা চৎখিবগী ৱারী তাজৈ। মতম অদুদা হৌজিক ফংলিবা গাড়ীশিং অসি চেল্লমদবা তাই, কয়া ৱানা লৈরম্মী হায়বগী খুদম চাংদম ওইনা পাউদমজবনি।

হৌজিক মীপূম খুদিংনা ঙাঙন-শক্লরিবা, শাগৎলিবা ৱাফম অমনা য়েলহৌমী কনসি, মান্নবা খুন্নাই শেমসি, অতোনববু য়োকখৎসি, নুপীবু ইকায় খুম্নসি হায়দুনা ঐহাক ইশামকসু শরুক য়াবদা য়াওরি। অদুবু লুরিবদি লায়রবগা-ইনাকখুনবগা, মীচম মীয়ামগা-অচৌ অশাংগা অমসুং গভর্ণমেন্টকা অনীগী মরক্তা লৈরিবা অচৌবা পল অদুদি নমখায়দুনা চৎপদি ঙমদ্রি। মসিগী মতাংদা হায়রুবদা অঙাওবা ওইনা উবিরম্বা য়াই, নৈনরগা শোয়দনা খঙবীরমগনি খঞ্জে। য়েংবীয়ু মীয়ামগী মীহুৎ খল্লমদাই মতমদা ঙাঙন-শক্লরিবা, চীনফেন ফনা, ইচং থৌনা মীয়ামগী অফবা ঙাক্তা অদুবু ঙাঙথোকখিবা ৱানা থুনা কাউরবা, লাপ্লিঙৈদা মীয়ামগী পূক্লিং শুমহৎনবা ঙাঙলম্বা অদুগা মীহুৎ হেক ওইখিবগা কাউথোকখিবা (লুপথখিবা) অমসুং নীংশিংদনা মাঙখিবা, মসিরা পুকচেল শেংনা মীয়ামগী চাওখৎ খোঙথাংগী খোঙচৎতা নমথাক তৌবগী ৱাঙাঙ অসিদগী চেকশিনবা তঙাইফদ্রবরা খঞ্জে।

ইন্দিয়া লৈবাক্কী হায়বদি ষ্টেটশিংগী মীহুৎ ময়াম্না য়ানরগা শেম্বা চৎনরোলবু ষ্টেটনা চৎনদবা ঙম্বগী শক্তি লৈবরা? হুই ঙাওরবদি হুইবু থিনৈ। মী চিক্লুরসু মপুদা তাইনৈ। মসিগী ওন্ন-তৈনবদা হৌজিক লাক্লিবা নুপা-নুপী অনী মান্নরগা অরোনবা লীচৎ চৎলগা হান্নগী নুপা (অশেংবা) অদুবু মান্নরগা (লৌতুনরগা) হাৎতোকপগী মওং লাকপা অসিদি মীয়াম্না মা-মাগী লোয়নবী অদু শোয়দনা কিনরম্লগনি! য়াম্না কন্না চেকশিন্না শেন্নরবসু অহাঙবা তাঞ্জাদা মোবাইল ফোনগী মতেংনা খুদক্তা পাউ ফাওনবা ঙম্বনা য়াম্না লায়না থোক্লি। মখোয়না তৌনীংবা, পাঙথোক্লিংবা থবক্তা ইরায় লায়না পাঙথোকখিবা য়াই।

থমজনীংলিবা ৱাফম অমনা নুপা-নুপী অনীমক আইনগী চৈরাক পীবদা চপ মান্ননা পীবিবা য়ারোইদ্রা? মফম খুদিংদা শিৎলিবা অচৌবা নোংলৈ নুংশিৎকা মান্নরবা মতম অসিদা মায়াগী অফা অপূন্নরবা মীওইদি ইন্দ্রিগী নুংঙাইবশিংদা মীহৌই অমসুং ফংবা ঙমদ্রগা অশাওবা পোকই। মদুনা অঙাওবা ওইরকই। নুপীগী পুকচেলদি য়াম্না ঈং তপ্পী অমসুং মখোয়না ঙাঙথোরকপদা অচেনবা অরুবা ঈশিংগুম্না ফজখ্রবা খোঞ্জেল থোকহল্লি হায়দুনা অইবা কবিশিংনা লৈরাংগুম্না খুদম চাংদম্নরিবনি। পূক্লিং নুংঙাইনবা চিঞ্জাক মরাং কায়না চাবা মীওইশিংদি তলহল্লি অমসুং পাদোংনবা হেন্না পামহল্লি। মসিনা অচৌবা মতেং ওইদুনা ৱাখলগী অপাম্বশিংদা হেন্না মীহৌহনবগী মচাক ওইদুনা মায়াগী লাংদা থুহল্লি।

ৱারী লাইরিক্তা খুদম চাংদম ওইনা অসুম্না থম্বীরম্মী, মুনিগী পুকচেল চেনবা ঙম্লবদি মায়াগী লাংদা খক থুরোই হায়না। থৌশাদবা, তৌফম থোক্তবা কয়া থোক্লিবসি চিঞ্জাক্লসু অচৌবা তেংবাঙই হায়নৈ। চেকশিনহৌদবদগী মৈরিক্তগী মৈজাও ওইনা চাকপগুম্বনি হায়না খুদম চাংদম পীনরি। অমাঙ-অতোং, অচুম-অরানগী ৱাখল তৌদনা পূক্লিংগী অপাম্বনা হেনখিদুনা ঐদি অকনবনি, তৌবা ঙম্বনি খল্লিঙৈ তাঞ্জা অসিদা মকে শেন্নগা ফজখ্রবী শক্তমশিং উহন্দুনা লাকপদা মৈনাক্তা ঘী শৌদোক্তুনা চেনখিবদগী অচাকপা মৈদা হেন্না মৈরি থোক্না চাকহনবগী মওংনি। মতমগী কল্লবা ঈথক-ঈপোম্না জ্বার কারক্তুনা মশীং থিঙমদ্রবা ফত্তবা থৌদোক্লা অতৎ-অখম লৈতনা ওইরক্লিবা, নোংমা কাংদনা থোক্লক্লিবা অসিবু কনানসু থিংবা ঙম্নদ্রে।

হৌজিক লৈমিন্নরিবা ফুরুপ পূম্নমক লৈকোল অমদা পূন্না শাৎমিন্নবা লৈরাংগা পাঞ্জকনি, মরী চৎপনা চত্তবা পামেনগী মতেং লৌদুনা ফজনা শাৎপা লৈকোন্দুগী মপূং ফাহল্লি। নুপীদি অইবা কবিশিংনা লৈরাংগা চাংদম্নরিবনি। লৈরাংবু পামদবা, হেক্লিংদবা, মনম নমনীংদবা লৈতবনি। লৈরাংগুম থোৎ নৌরবী কয়ানা ফজনবগী মকে শেম্বদা মশাগী শক্তমসু উৎতবা নত্তে।

অদুবু চৎনবী ওইখিবনা অউবনা ইকায়বা ওইরবা মতমগী ঈচেলনি। ফজনা লৈতেংলবা ইম্ফাল সহর মনুংদা উরিবা শক্তম অসি য়েংনীংবা-য়েংনীংদবা কয়াসু য়াওরিবনি। মসিদা মাঙজবা-তোংজবা, খুদোংথীবদি কনাসু য়াওবিরোই, ঐহাক ইশা ইতোমতনি। মীয়াম অমসুং ঐহাক ইশামক অয়াম্বনা পূক্লিং চংনা কা হেন্না থিজিন্নদে। মসিবু তোংজরিবরা-মাঙজরিবরা? ঐখোয়না করিগুম্বা পোৎশক অমা লৈবা তারবদি অপাম্বা, পামদবা খন্দোক-খঞ্জিন তৌদুনা পোৎ অদু লৈদ্রিঙৈগী মাঙওইননা কদাইদা করি শোয়বগে মুন্না য়েংনৈ। মরম অসিনা ঐ ইশানা তৌরিবা অসি চুম্বরা হায়না খন্থফম থোকত্রিবরা? ফত্তবা চিঞ্জাক চারম্বা, ফত্তবা লম্বীদা খোঙদারম্বা কয়া মশানা ৱাখল তারক্তুনা মপূং মরৈ ফাবা মীওই ওইরকই। মখোয়শিং অদুনা লমজিংদুনা খুন্নাইগী শক্লাইরবা মীওই অমদি অচৌ-অশাং ওইখিবা য়াওনরি, তমজনীংঙাই মশক ওইরি। পূম্নমক অসি ইশাদা লৈরে হায়না পাউদমজরি।

য়াম্না চেকশিন্না শেন্নদুনা মহৈ-মশিন নিংথিজনা তমহনবা, লমচৎ শাজৎ, হৌন লোনচৎ তাকপীরবসু মপূং মরৈ ফারবা মতমদা মশা-মশানা অনীংবা অপাম্বদা চৎখিদুনা ফত্তবা লম্বীদা চৎখিবসু য়াওদবা নত্তে। অদুনা মশাগী ফিরেপ অফ-ফত্ত মশানা লেপচগদবনি। কনানসু থিংবা ঙমদে। ঐ ঐনা তৌজরুবগী মহয়দি ঐহাক্লা ফংজগদবনি হায়বা ৱাখল খন্থবগী মতম ওইদ্রিবরা? য়েংবীয়ু ইম্ফাল সহর ময়ায়দা ফত্ত-হৌদি ময়াম পৈশিন্দুনা লৈরম্বদা নমথীবা মনমনা চিন-নাতোন মেন্দুনা চৎনরিবনি। মীয়াম্না ঙাঙনরম্বা ফত্তবদা কি-তুকৎচবা মীওই ওইরম্বা কয়াসু অফবা খোঙথাংদা চঙখিদুনা মীথোই মীহেনবা, খুন্নাই অসিবু শেংদোকপদা শরুক য়াদুনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা হোৎনরিবা অসি করি মরমগীনো? ফত্তবগী শঙ্গদি পাক চাউদে খরদংনি। ফত্তবদা মাঙজিল থারম্বা মীওই অদুনা ৱাখল তারক্তুনা অফবা লম্বীদা খোঙদারকপদগী মীয়াম্না তরাম্না ওক্লকপা মতমদা ফত্তবা তৌবদা মাঙখিবা মতম অদু মেনখৎপা ঙম্লরোই হায়না তেংথানবসু কোঙ্গাইনি। মরম অসিনা ইশা-ইশানা ৱাখল তানা অফবা লম্বীদা খোঙদানবা হোৎনরসি, ফত্তববু তুংওইননা থল্লসি, ইশাগী অমসুং খ্বাই পূম্নমক্কী য়াইফনবতা খল্লসি হায়বা ৱাফমসি মতম পূম্বদা চেৎনা থাগোন্নদুনা থমহন্নীংবগী অপাম্বা অদু মীয়ামদা থমজরি। ●